# পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী আর্মি চীফ য়াওনা মীওই ৩ ফাজিনখিবগী...

*লমায় ১গী মখা...* থাদোক্লবা তৌরগে হায়বদগী ঙসি নুংথিল পুং ১ ফাওবা ঙাইজখ্রবসু থাদোকপীরক্ত্রে। মরম অসিনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী পুং ৪৮গী জেনরেল ষ্ট্রাইক চথরগনি হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েং অসি হোংদোকহন্নবগীদমক মীয়াম্না শৌগৎপীদুনা অপূনবা পাঙ্গল শাগৎমিন্নরসি। মীওই অহুম অসি ফাবা-পূনবা য়াদনবা পিছ এগ্রীমেন্টকী খূৎয়েক পীনরবা মতুংদা ফাখিবনি। ঈং-তপ্না লৈনবা অমসুং খূৎলায় থানদবা হায়না লৈরক্লিবা য়ানবগী ৰাংমদা অমদি পীনখিবা খূৎয়েক্কী মায়োক্তা আর্মি চীফ য়াওনা মীওই ৩ ফারগা মণিপুরগী মীয়াম্বু ইকায়বা পীবা অমদি লালহৌলূপ অসিবু ইকায়বা পীরক্লিবসি লৈবাক মীয়াম্বুসু ইকায়বা পীবনি হায়না লৌই। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা নুমিৎ নীনিগী চথুগদৌরিবা

জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং অসিদা থৌশাদবা অমদি লূম্না লৌদবা তারগদি হেন্না কনবা খোঙজং চঙশিল্লক্কনি। মীখল পাঙথোকপদা অথিংবা থল্লকপা য়াই। মরম অসিনা মসি খঙনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখোয় অহুম্বু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি হায়খি।

ৰাফম অসি মণিপুর অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্তা খঙহঞ্জবনি হায়রদুনা পিছ এগ্রীমেন্ট তৌনরিবা লূপ অমগী মীওইশিং ফাবদা মণিপুর লৈঙাক্লা খঙদে হায়না ওইদবা ঙাঙলিবা অসি তৌবীদবা ফৈ হায়খি।

হৌজিক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভমসিদা মীয়ামগী ইহুল খঙনা ষ্টেট লৈঙাক্লসু থবক পায়খৎপীয়ু। আর্মি চীফ য়াওনা ফাখিবা মখোয় ৩ অথুবা মতমদা থাদোক্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা অকনবা থৌদাং লৌবীগদবনি। ঐখোয়না লাউজরিবা অসি তবীদ্রবদি তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি

মীখলনচিংবা লাকপদা অথিংবা থমদুনা বোইকোট তৌরকপদা লমদম অসি কাং-খোং চাইরকপা য়াই। মরম অসিনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌবীয়ু অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু খঙবীয়ু হায়খি।

মণিপুর থুগাইবা পামদবা অমসুং তংদু লৈতাবা পাম্বা ইরৈচা খুদিংমক্লা থোকপীরক্তুনা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

হৌজিক লৈরিবা মীয়ামগী সেন্টিমেন্টতি মীয়ামগী পূন্সি কনবা রাইট টু লাইফ, রাইট টু এদ্যুকেসন হায়বসি মায়োক্লরকপদা মীওইবগী পূন্সি কনবনা হেন্না মরু ওই। মরম অসিনা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরকপনি। ঐখোয়গীদি থাদোকপীয়ু হায়বনি, থাদোরকপা নুমিৎতা লোইরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লৌনম লাং অসিনা মরম ওইরগা অতোপ্পা লালহৌলূপশিংনা থোরক্লীংবা লৈরবসু করম্বা কান্দা

থোরক্কদৌরিবনো হংলদুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৌনম লাং থাল্লকপা য়ানীংদে হায়খি।

অমরোমদা, ঙসি নোংমাইচীং চীংখোঙদা নৌনা শাগৎখিবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্টগী বিল্ডিং শঙ্গাখিবা চীফ মিনিষ্টরদা পাউমীশিংনা হংবা ৰাহংগী পাউখুমদা সী এমনা হায়, লৈঙাক্লা পিছ টোক তৌনবগীদমক খূৎয়েক পীনখ্রবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী মীওই ৩ মরাল লৈরমদ্রবদি থাদোক্লবা সেন্টরদা খঙহনখ্রে। পিছ টোক তৌনবা খোঙথাং অসি য়াম্না ৰানা চহী ২/৩ চঙনা হোৎনরকখিবনি। মরম অসিনা পিছ টোককী লম্বীদা অয়েৎ অপনবা অমত্তা লৈতনবা ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু সেন্টরদা ষ্টেট লৈঙাক্তা খঙহল্লমদনা মখা তানা ফাবা পূনবা তৌদনবসু খঙহনখ্রে হায়খি।

পাউমীশিংনা মীওই ৩ ফাবগী মরম হংখিবগী পাউখুমদা মহাক্লা হায়, ষ্টেট লৈঙাকসু চপ চানা খঙদ্রি অদুবু কোলকটা রোমগী কেস অমগা মরী লৈনবা ওইগনি হায়না রিপোর্ট তৌরকই হায়খি।

পাউচে অসিনা মীওই ৩ ফাখিবগী মতাংদা ফংবা পাউ অমদদি ঙরাং মখোয় অহুম ফাখিবগা পন্থদনা ইম্ফালদা লৈবা এন আই এগী ব্রাঞ্চ ওফিসকী এস পিনা ইম্ফাল ৰেষ্টকী এস পিদা মীওই অহুম অসি এন আই এ (দেল্লী) না মমাঙগী চহী ২০২৩দা লৌখৎপা রেগ্যুলর কেস নম্বর ২৩গা মরী লৈননা এক্ক্যুজ শিং ওইনা ফাবনি। মখোয় অহুম ফাবগী পাউ মখোয়গী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা পীবিবগা লোয়ননা পাউ অসি পীখ্রে হায়বগী রিপোর্ট অমসু এন আই এদা পীবিরক্লবা অইবা চেরোল অমা পীরক্তুনা খঙহল্লকখ্রে হায়না চেরোল অদুমক সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখি।

চেরোল অদুনা কেস অসিগা মরী লৈননা এক্ক্যুজশিং ওইনা ফারে হায়রিবনা ময়াং ইম্ফালদগী থোকচোম শ্যামজাই এলিয়জ থোকচোম গ্যানেশ্বর এলিয়জ থোইবা এলিয়জ জো তুন এলিয়জ শিদবামপু অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ ইবোতোম্বী, য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকায়দগী লাইময়ুম আনন্দ এলিয়জ ঈংবা অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইন্দেশ্বর অমসুং সলান কৈখু (লাংজিং) দগী ইবোমচা এলিয়জ লান্দবা এলিয়জ ইবোমচা মৈতৈ অপোকপা লোকেশ্বর মৈতৈনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

## লূপ কয়ানা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস) : ঙরাং এন আই এনা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী আর্মি চীফ য়াওনা মীওই ৩ ফাদুনা পুখিবগী মায়োক্তা জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ, য়ুনাইটেদ জিরি য়ুথ লিক, জিরি অপূনবা খুন্নাই চাওখৎ লূপ, ভারত হিন্দু মহা সেনা, মীতৈ কাউন্সিল মোরে, ফয়েং অপূনবা নুপী লূপ, য়ুনিভর্সেল মাদরস ওর্গনাইজেসন, কেগে মোইরাং কেন্দ্র অপূনবা লূপনচিংবনা পেন্দবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।**

অমরোমদা, মীওই ৩ ফাখিবগী মায়োক্তা ঙসি তোঙান তোঙানবা মফমদা খোঙজং চঙশিনখিবশিংনা বিষ্ণুপুর অকোয়বা অপূনবা লূপনা টিদ্দিম লম্বী পরিংদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্তনা থৌবাল অথোকপম, য়াইরিপোক, ৰাংজিং অমসুং খোংজোম কৈথেল য়াওনা চরাংপাৎনি।

ককচীং দিষ্ট্রিক্তকী ওইনা লূপ কয়ানা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ক্লবস পল্লেল অমদি পল্লেল অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, লমজাও অপূনবা মৈরা পায়বী লূপ, উখোংশাং, হৈরোক পার্ট টু, ৰাইথৌ কিয়াম সিফাই, হাওখ অমদি থৌবাল খুনৌদসু খোঙজং ৎশিং চঙশিনখি।

## সীজ ফয়র তৌনরিবা লূপ ১গী মরুওইবা মীওই...

*লমায় ১গী মখা...* জয়কুমারনা হায়, খূৎলায় পায়বা ওর্গনাইজেসন অমনা হান্নগী পূন্সি মহিংদা অমুক হঞ্জিল্লক্তুনা লৈঙাক্লা সীজ ফয়র তৌনখিবা অদুবুদি থাগৎলি। অদুবু সীজ ফয়র তৌনরিবা লূপ অমগী মরুওইবা মীওইশিং মরম অমত্তা পীদনা এন আইনা ফাজিনখিবগী থৌওং অসিদি মরম চাবা ৰাৎলি। পার্টি অসিগী ওইনসু মখোয় অহুম করি মরমগী ফাখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। থৌওং অসিনা মরম ওইরগা খূৎলায় থাদোক্তুনা হান্নগী পূন্সি মহিংদা অমুক হঞ্জিল্লক্কে খল্লম্বা কয়া লৈঙাক্তা লৈরম্বা থাজবা অদু মাঙখ্রগনি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি হায়খি।

মহাক্লা হায়, য়ুনিয়ন গভর্নমেন্ট অমসুং পাম্বৈনা লুচিংবা য়ুন এন এল এফ গ্রুপকা সীজ ফয়র তৌনখিবা অদুগী গ্রাউন্দ রুল মীয়াম্না খঙবসু লৈতে। লৈঙাক্লা মীয়ামদা খঙহনবসু লৈতে। কুকি লালহৌবশিংগা লৈঙাক্লা তৌনবা সুগী গ্রাউন্দ রুল অদুগুম্না মখোয়গীসু লৈফম থোকই। চপ মান্ননা এন এস সী এন-আই এমগা লৈঙাক্লা তৌনরিবা সূ অসিগীসু চপ চাবা গ্রাউন্দ রুল লৈরিবনি।

অমরোমদা মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা সীজ ফয়র তৌনরিবা লূপ অসিনা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরিবনি। লূপ অসিগী মরুওইবা মীওই ৩ মরম অমত্তা পীদনা ফাজিনবা হায়বসি মীয়ামগী অচৌবা ঈহৌ অমা শোয়দনা লাক্কনি। সূ তৌনরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা গ্রাউন্দ রুল থুগায়দুনা মীচম মীয়ামদা নেংমৈ কাপশিন্দুনা তৌনিংবতা তৌরবসু সেন্টরনা ঙসি ফাওবদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোক্লি। অদুগা মীতৈ ফুরুপশিংদা অতম্পনা ওনশিনবা সেন্টরগী থৌওং অসি য়ানিংদে। ষ্টেট লৈঙাক্লসু হিরম অসি তরায়না লৌফম থোক্তে হায়খি।

## ইলেক্ট্রিকনা চিংবদা মীওই ১ শিরে

**ইম্ফাল, মার্চ ১৪ (ঐচএনএস):** ঙরাং অয়ূক পুং ৯ লোম তারকপদা পোরোম্পাৎ পি এসনা কোনবা মিনুথোং মনাক্তা গাড়ীদা পুরকপা য়ূম শানবা য়োৎশিং লৌথবদা লম্বী মথক্তা তিংবা হায় টেন্সন ইলেক্ট্রিক ৰায়রদা লৌথরক্লিবা য়োৎচৈ অমনা থেংলুবদগী ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফাওরক্তুনা চিংবদা মীওই অমা লায়কন্নবা নংদনা থৌদোক থোকফমদা লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইদুগী মমিং লাইরেনলাকপম জিতেন (৫৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল অঙৌতোম্বী কৌই, নম্বোল চীংমাংদগীনি হায়রি।

মহাক থৌদোক অসিদা হেক শোকপগা জেনিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্ননবা হোৎনখি অদুবু লায়েংশঙ অসিগী ডাক্তরশিংনা মহাকপু শিরগা পুরক্লে হায়না খঙহল্লকখি হায়রি। লৈখিদ্রবগী হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৌরগা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে হায়রি।

# বন্দ-ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌদুনা লৈরবদি...

*লমায় ১গী মখা...* ৰাফম অসি ঙসি নুমিদাংৰাইরম মহাক্কী সেক্রেটরিএটকী দরবার হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুর ক্রেদিট গরেন্টি স্কিমগী মখাদা মাইক্রো অমদি স্মোল ওন্ত্রপ্রাইজেসশিংদা লোন য়েন্থোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়, হয়েংদগী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসনসু হৌগদৌরিবনি। অসিগুম্বা তাল্লকসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়রিবা অসি তৌগনু। লৈঙাক অমা লৈরিবনিনা লৈঙাক্লোন লৈহনবা অমদি লোবু ইকায়খুম্নবা চৎপা হায়বসি তঙাইফদে। বন্দ-ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক অদুমক তৌদুনা লৈরবদি লৈঙাক্লসু তূমিন্না লৈবা ৰারক্কনি। লৈঙাক্লা থবক লৌখৎলবসু ফৈ-ফত্তে হায়রক্কনি। ওইনীংবা ইস্যু ওইসনু অদুম ওইনমক বন্দ-ব্লোকেদ, জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌবীগনু। বন্দ তৌবগী মহুত্তা লমদমসিদা মাঙখ্রিবা ময়াম ফুক্কৎনবা হোৎনমিন্নসি।

লমদম অসি অৰাবা ফীভম অমা মায়োক্লরি হায়দুনা লৈরিবা সেক্টর পুম্নমক মনীং হলহনবা য়াবা নত্তে। ঈরাংনা মরম ওইরগা মাঙখ্রিবা ময়াম অসি ফুক্কৎনবা থা ৪/৫সিদা হান্নদগী শরুক অনী হেন্না কন্না হোৎনবা মথৌ তাই। মণিপুর ঐখোয়গী ষ্টেটনি। কনামত্তনা লাক্লগা মতেং পাংলগদবা নত্তে। ঐখোয়গী ইরমদম-ষ্টেট, ঐখোয়গী ইকোনোমি ঐখোয়না চাওখৎহনগদবনি হায়খি।

ঙসি য়েন্থোকখিবা লোনগী শেনফমশিংগী মতাংদা মহাক্লা হায়, অহানবা ফেজগী ওইনা এম এস এম ঈ ১,৬৫০দা পূম্না লুপা ক্রোর ১১৩গী শেনফম মণিপুর ক্রেদিট গরেন্টি স্কিমগী মখাদা লোন ওইনা ফংহনবনি। স্কিম অসিগী মখাদা অপূনবা লুপা ক্রোর ৭০০গী শেনফম এম এস এম ঈ লিশীং ১৪ রোমদা ফংহন্নবা পান্দম থল্লি। ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি। মসিদা বেঙ্কশিংনসু ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংদা লোন পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপা অমদি ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংনসু থম্মোয় শেংনা হোৎনবা তঙাইফদে হায়খি।

থৌরম লোইরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা মণিপুরগী লৌমীশিংদা হার ফংহনবদা কাঙলোন চুম্না অমসুং নুংপান ফাওনা মীয়াম খঙবা ঙম্বা মওংদা য়েন্থোকপা ঙম্নবগীদমক ফর্টিলাইজর দিষ্ট্রিব্যুসন মেনেজমেন্ট সিষ্টমগী এপ্লিকেসন অমদি ৱেবসাইটসু হৌদোকখি। সিষ্টম অসিদা লৌমীশিং অমদি মখোয়না উরিবা লৌগী চাং পুম্নমক রেজিষ্টর তৌদুনা মথৌ তাবা হারগী চাং খঙলগনি। মসিদা নত্তনা লৈঙাক্কী ষ্টোক্তা হার কয়াম লৈরি অমসুং কদায়দা য়েন্থোকখ্রে হায়বা য়াওনা মমলশিংসু খঙলগনি। মসিনা মীনম্বা, শেঞ্জা থুমজা তৌবা অমসুং হার থৈদোক থৈজিন তৌবা য়াররোই হায়খি।

নাকল অমরোমদা, চীফ মিনিষ্টরনা ঙসি অয়ূক ইম্ফাল ইষ্টকী নোংমাইচীং চীংখোঙদা মিনিষ্ট্রি ওফ টুরিজমগী মখাদা লিংখৎপা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্টকী বিল্ডিং শঙ্গাখি।

থৌরম অসিদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৰারোল পীরদুনা মহাক্লা হায়, মমাঙদগী লৈঙাক্লোন্দা লৈরম্বা অশোয়বা কয়ানা ঙসি মীয়াম্না খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। লম্ফেলপাৎতা এন আই টি শাজিল্লম্বনা ঈশিং চাউরে, থবক শূবসু য়াদ্রে। মহৌশাগী ওইনা পাৎ অসি ঈশিং তুংফমনি অদুগা চীংনা উ হৌফমনি হায়বা ৰাখল তামিন্নবা চঙই। ইম্ফাল মনুংদা কৃক-কৃক ইন্নরগা কৈথেলনচিংবা থম্বগী মহুত্তা খরা হাইদোকপা মফমদসু শেমগৎ শাগৎপগী থবক তৌনবা হোৎনরি। থবক অমা তৌবা মতমদা থবক্তু মীনা করি খনখিগদগে হায়বা ৰাখল খন্নরবদি খৎন-চৈনবা থোক্লোই অমসুং পূম্না হিংমিন্নবা য়াগনি। মণিপুরদা থোক্লিবা হাৎন-শুনবগী ৰাথোক অসি পোলিটিকেল দাইলোগ তৌদুনা ৰারোইশিন পুরক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়খি।

মণিপুর অসি চীংগী লমনা কোয়শিনবনা চীং নিংখাইবগুম্বা থোরকপা মতমদা লমদমসিদা চান-থক্লবা মতিক চানা লৈত্রবা অমদি পুথোক্ত্রবদি য়াম্না ৰাগনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোক্লদুনা চাথোক মরাং কায়না পুথোক্লবগীদমক নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লিবা লৌবুকশিং কল্লসি হায়বগী পাউজেলসু পীখি।

# লাঞ্জেন্নরিবা মহৈরোয় লিশীং ১ রোম্না শরুক য়াদুনা...

*লমায় ১গী মখা...* পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা বোর্দকী চ্যেরমেন অখাম জয়কুমারনা চাংয়েং অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিংদা পাউজেল পীরদুনা এগজামিনেসন অসি পাঙথোক্লিঙৈগী মনুংদা কনাগুম্বা অমত্তনা বন্দ-ব্লোকেদনচিংবা তৌবীগনু হায়না আপীল তৌখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এগজামিনেসন অসিদা মহৈরোয়শিংনা মসিগী কাঙলোন চুম্না শরুক য়াবীদুনা মায় পাকপা এগজামিনেসন অমা ওইহন্নবা পূম্না হোৎনমিন্নসি। এগজামিনেসন অসিগীদমক হান্নদগী বোর্দনা ইন্সপেক্সন টিম থমদুনা মসিগী কাঙলোনশিং য়েংশিনবগী থবক হন্দক্কী চহীগীসু অদুমক চথুগনি। য়েংশিন্নবা ইন্সপেক্সন টিম ২৫ শেম্লে হায়রদুনা মহৈরোয় লূপ খরগসু চৎমিন্ননবা শেম শারে। চীংগী সেন্টর ৬৩ অমদি তমগী সেন্টর ৯১ পূম্না ১৫৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা এগজামিনেসন অসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংগী মহৈরোয় ৯,১১৯, এদেদ স্কুলশিংগী ১৩১৫ অমসুং লন্নাই মহৈলোয়শঙশিংগী ২৭,২৮১ পূম্না মহৈরোয় ৩৭,৭১৫না শরুক য়াগনি। মহৈরোয়শিং অসিগী মনুংদা নুপীমচা মহৈরোয়না ১৯,০৮৭ অদুগা নুপামচা মহৈরোয়না ১৮,৬২৮নি হায়রদুনা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইরগা ৰাহংচে নৎত্রগা ইন্সপেক্সন টিম্নচিংবগী মতাং য়াওনা বোর্দকী ওফিসলশিংগী চৎথোক চৎশিন্দা খুদোংচাদবা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা চীংগী দিষ্ট্রিক্তশিংগী নোদল ওফিসরশিং হাপ্লে। মখোয়না চীংগী দিষ্ট্রিক্তশিংদা বোর্দকী মহুৎ শিন্দুনা ইন্সপেক্সনচিংবা চথুগনি। ঈরাং অসিনা শোকহন্দুনা লাঞ্জেন্নরবা মহৈরোয় লিশীং ১ রোমগীদমক এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়ানবগী ফোর্ম ফিলঅপকী শেল অমত্তা লৌদনা তৌহনখ্রে। হয়েংগী এগজামিনেসন অসি হৌগদবা মিনট ৩০গী মমাঙদা ৰাহংচেশিং এগজামিনেসন সেন্টরশিংদা য়ৌরবসু পুং ৯ তাদ্রিবা ফাওবা ৰাহংচেশিং হাংদোকপা য়ারোই। বোর্দনা অনৌবা খোঙথাং কয়া পায়খৎতুনা এগজামিনেসন অসি মতমগী মতুংইন্না খরা শেমদোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। চহী অসিদগী হৌরগা হান্নদগী শীজিন্নরক্লবা পাউখুমচেশিং অদু হন্দক্তগী হৌনা ও এম আর সিটনা মহুৎ শিল্লগনি। মসিনা মহৈরোয়শিংদা খক্তা নত্তনা পুম্নমক্তা হেন্না লায়না এসেস তৌবা য়াহল্লগনি হায়খি।



HL-P-9642/18-29/1-18march

**GAS NEWS**

**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
**Booking - Upto Date**
Office Contact No.9362654114.
Time 8:30 am to 12:30 pm.
Available 19kg,10kg and 5kg.
URIPOK, LAMSHANG Delivery Boy - Guna Ph.no : 6009936192
KEISHAMTHONG, SINGJAMEI Delivery Boy-Aboy Ph.no: 8414050561
KWAKEITHEL, MALOM Delivery Boy- Chittaranjan ph.no-85756987
KEISHAMPAT Delivery Boy-Anand ph.no: 9089364355
NAGAMAPAL,THANGMEIBAND, CHINGMEIRONG Delivery Boy-Sagar ph.no:8798303493
WANGKHEI, KHURAI, SAMUROU Delivery Boy-Bringkingson ph.no:7629857123
SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK, TERA, PATSOI Delivery Boy - Somorjit ph.no: 7005316328
WAHENGBAM LEIKAI, SALAM LEIKAI Delivery Boy-Jiten ph. no : 9856506500

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052 7628077876(enquiry)

## অস! লোইরেহে!

-করিগী ঈশেনো মোই পাবুং!



- ৰাখল নুংঙাইথোকপা নত্তনা পাম্বৈ লৈতে।

**WE ARE HIRING !**

**Open Position**

SECURITY GUARDS (2 Posts)

Individuals below 28 years of age and Residence of Singjamei, Kongba, Bamon Leikai and surrounding are preferred.

For more details contact us via a phone call.

HL-P/9972/15 **Phone no. : +91 7005589986**

Office of the
**ENCHANT FUTURE EMPOWERING CENTRE**
Wahengbam Leikai Near Hotel Bheigo
Kaidongfam Building Top Floor

**EMPLOYMENT NEWS**

| SL.NO | NAME OF THE POST | QUALIFICATION | SALARY |
|---|---|---|---|
| 1 | Security (Male) | VII | 8,000 - 13,000 |
| 2 | Cargo Loader | X | 11,500-15,000 |
| 3 | Sales Associate | XII/XII Appearing | 18,000-20,000 |
| 4 | Lounge Associate | XII/XII Appearing | 16,500 & Above |
| 5 | F&B Staff | XII/XII Appearing | 16,000 - 20,000 |
| 6 | Delhi Duty Free | Any Graduate | 22,000-28,000 |
| 7 | Business Development Executive | Any Graduate | 18,000 - 22,000 |
| 8 | Relationship Manager | Any Graduate (Min. 50%) | 20,000-24,000 |

Last Dt. of Form Submission : 22nd March, 2024
Date of Interview : 23rd March, 2024
# 7005947474
HL-P/9063/15,17,18,19,20,21

## ꯍꯔꯤꯃꯍꯔꯤ / শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু নাউকোনবীরম্বা রাজকুমার ঁরোবিন্দ্রো সিংহ-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০৪/০৩/২০২৪, ইং ফাইরেনগী ২৩নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা 'রাধা মাধবা চৈতন্য দাস' হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৯/০৩/২০২৪ ইং, ফাইরেনগী ২৯নি পানবা থাংজ নুমিত্তা অষ্টী সঞ্চয় লৌখৎচরগা, তাং ১৭/৩/২০২৪ ইং, লমতাগী ৮নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা-শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী চরন্দা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পত্রনা নিমন্ত্রন কচ্চরি। পত্রনা নিমন্ত্রন কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**অয়ূক পুং ৮:৩০ ভেক কৎপা**
**নুংথিল পুং ১২:৩০ সঙ্কীর্ত্তন হৌবা**

**বিনিতগণ :**
(১) রাজকুমার টিকেন্দ্র সিংহ (মচানুপা) (২) রাজকুমার বিক্রমজিৎ সিংহ (মচানুপা) অমসুং ইমুং-মনুং।
HL-P/9905/9,15 থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়, ৮১১৯৮৮১৪৮৮



HL-B/8348/13,15,17,19



HL-B/8348/13,15,17,19